# সী দব্লিয়ু জি ২০২২ : মিরাবাইনা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড লৌখ্রে, সনকেট সরগারনা সিলভর ফংদুনা ইন্দিয়াগী মেদল একাউন্ট হাংদোকখ্রে







বর্মিংঘম, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):

য়ু কেগী বর্মিংঘমদা চথুরিবা ২২শুবা কমনৱেল্থ গেমস (সী দব্লিয়ু জি)কী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎতা ৱেথলিফটর সনকেট সরগারনা নুপাগী কেজি ৫৫গী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল একাউন্ট হাংবা ঙমখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী লিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনা নুপীগী কেজি ৪৯গী কাঙলূপ্তা গোল্ড লৌদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেদল ফংবা শান্নরোয় ওইখ্রে।

ইন্দিয়ানা নীনি চনবা নুমিৎতা গোল্ড ১, সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৩ ফংবা ঙমখ্রে।

মিরাবাই চনুনা পূন্না কেজি ২০১ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। মহাক্না স্নেটচকী সেকেন্দ এটেম্পটতা মহাক্কী পর্সনেল বেষ্ট কেজি ৮৮ থাঙ্গৎখি অদুগা ক্লিন এন্দ জর্ককী অনীশুবা এটেম্পটতা কেজি ১১৩ থাঙ্গৎখি।

সনকেট সারগরনা ৱেথলিফটিং মশান্নগী নুপাগী কেজি ৫৫গী কাঙলূপ্তা পূন্না কেজি ২৪৮-থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ১১৩ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১৩৫ থাঙ্গৎখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ৱেথলিফটর গুরুরাজা পুজারিনা নুপাগী কেজি ৬১গী কাঙলূপ্তা পূন্না কেজি ২৬৯ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ১১৮ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১৫১ থাঙ্গৎখিবনি।

অমরোমদা, বোক্সিং মশান্নগী নুপাগী ফেদরৱেথ (কেজি ৫৭) কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর মোহমদ হসামুদ্দিননা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী বাউটতা সাউথ অফ্রিকাগী অমজোলেলে দিয়েয়িবু য়ুনানিমস দিসিজন ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

টেবল টেন্নিস মশান্নগী ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী পেদ্দলর স্রিজা অকুলানা মলেসিয়াগী চাংবু ১১-৬, ১১-৬, ১১-৯দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা টি টিগী ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেদ্দলর মনিকা বাট্রানা মলেসিয়াগী করেনগী মখূৎতা ৬-১১, ৩-১১ অমদি ৯-১১দা মায়থীদুনা লৈহৌখ্রে।

| Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|
| Australia | 10 | 5 | 5 | 20 |
| New Zealand | 5 | 4 | 1 | 10 |
| England | 3 | 6 | 3 | 12 |
| Malaysia | 2 | 0 | 0 | 2 |
| Scotland | 1 | 2 | 5 | 8 |
| Canada | 1 | 2 | 2 | 5 |
| **India** | **1** | **1** | **1** | **3** |
| Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| Uganda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| Wales | 0 | 1 | 2 | 3 |
| Kenya | 0 | 1 | 1 | 2 |
| Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
| Papua New Guinea | 0 | 1 | 0 | 1 |
| Tanzania | 0 | 1 | 0 | 1 |
| Cyprus | 0 | 0 | 1 | 1 |
| Namibia | 0 | 0 | 1 | 1 |
| Northern Ireland | 0 | 0 | 1 | 1 |
| Sri Lanka | 0 | 0 | 1 | 1 |

### নেহরু জুনিয়র গর্লস ষ্টেট হোক্কী লোইশিনখ্রে

# বিষ্ণুপুরগী থাইমৈ গুইগানপৌনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

দিরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা চথুরকপা ২৮শুবা নেহরু জুনিয়র অন্দর ১৭ গর্লস ষ্টেট হোক্কী টুর্নামেন্টকী ঙসি খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থাইমৈ গুইগানপৌ ইংলিশ স্কুলনা ৱিন্নর অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুনাকো স্কুলনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৭না গ্রুপ অনী থোক্তুনা থা অসিগী ২৭তগী হৌদুনা চথুরকখিবনি।

খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বিষ্ণুপুরগী থাইমৈ গুইগানপৌ ইংলিশ স্কুলনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুনাকো স্কুলবু ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা বিষ্ণুপুরগী কেরিনানা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা টি ঐচ দাইনালিনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা বিষ্ণুপুরগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা এন কমলানা শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা স্কোর ১-২দা অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা লৈহনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরগী শান্নবদা টিম অনীগী মায়কৈদা গোল অমত্তা হাপচিনবা ঙম্নখিদে। বিষ্ণুপুরগী নুপীমচাশিংগী খূদুম চনবা মখা চথুরকপা ওইনা অহুমশুবা ক্বার্টরগী শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা এল রিতুনা ফিল্ড গোল অমা চনশিন্দুনা বিষ্ণুপুরগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা টি ঐচ দাইনালিনা ফিল্ড গোল ১ শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। ক্বার্টর লোইরমদাই টি ঐচ সুচিত্রানা ফিল্ড গোল ১গা শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা চনশিন্দুনা বিষ্ণুপুরগী ৫শুবা গোল চনবা ঙমখি।

টিম অনীনা অরোইবা ক্বার্টরগী শান্নবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী বিষ্ণুপুরনা ইম্ফাল ৱেষ্টপু ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

### মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ সুপর দিভিজন লীগ

# উপানা এস এস সী মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্টকী এদহোক কম্মিটিনা শীন্দুনা চথুরিবা মহারাজকুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি নুংথিল খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা উপা ক্যামগৈনা এস এস সী পোরোম্পাৎপু ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

উপাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ঙৌবনা শান্নবগী ৫ অমদি ৩০ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা হেমলেট অমদি রোমিওনা শান্নবগী ১০ অমদি ২৮ শুবা মিনটতা অমমম্ চনবা ঙমখি। পোরোম্পাৎকী গোল ২ অদুনা জাবেদ অখটর অমদি নিসর অহমদনা শান্নবগী ৮ অমদি ১৪ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা অবা ক্ষেত্রিগাও অমদি ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেই ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

অবাগী গোলশিং অদুনা ৱাই দেভিদ অমদি মককমযুম গুজরনা চনখি। ঈ এস য়ুগী গোলশিং অদুনা টি ঐচ থাংঙাবার অমদি টি ঐচ রাধাকান্তনা চনখি।

অমরোমদা, অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অকাম্পাৎ অমদি অংথা এফ সী ১-১দা দ্রো ওইখ্রে। ১১ ষ্টারগী গোল অদুনা জুলিয়ন কৈশিংনা চনখি অদুগা অংথাগী গোল অদুনা এম সোমোকান্তনা চনখি।

অতোপ্পা অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা এস এ কে য়ুম্নাম খুনৌ অমদি পি ৱাই এ কাইরং ১-১দা দ্রো ওইখ্রে। এদিসন কোমনা এস এ কেগী অদুগা অজিজ খাননা কাইরংগী গোল চনখি।

# প্রিয়োব্রতনা সিনিয়র মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্টকী টাইটল লৌখ্রে









ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (অম্বা)গী লমজিং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (আই ঈ দি বি বি এ)না শীন্দুনা ২০শুবা মিষ্টর ইম্ফাল ইষ্ট ২০২২ ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুরাই সাজের লৈকাইদা লৈবা লাইখুরেম্বী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লিয়াংতোং কামৈ ফাউন্দসন নৈকালোংগী ৱাঙ্খেরাকপম প্রিয়োব্রতনা সিনিয়র বোদি বিল্ডিংগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

থ্রী ব্রদর জিম কোংপালগী বোরিশ পেচিমযুমনা ২শুবা অমদি ইষ্টর্ন আইরন জিম নহারুপকী য়ুম্নাম ইন্দ্রকুমারনা ৩শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

জুনিয়র কাঙলূপ্তা সুপর জিম খুরাইগী জয়দেব থোঙামনা অহানবা অদুগা রোয়ল জিম নিংঙোমথোংগী থোকচোম য়াইস্না মৈতৈনা অনীশুবা অমদি য়াইমবী ফিটনেস সেন্টর নোঙ্গ্রেনগী দয়া লাইশ্রমনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

মাষ্টর কাঙলূপ্তা এক্স ফিটনেস ৱাঙ্খেগী এল মোধুনা অহানবা অদুগা সুপর জিম খুরাইগী ৱাই রঞ্জয়না অনীশুবা অমদি কেএফসী ক্যামগৈগী ঙারিয়াম্বম বিরমঙ্গোলনা ৩শুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

মেন ফিটনেস ফিজিক কাঙলূপ্তা আর সী সী জিম খুমন লম্পাক্কী ৱারশিম চেসমনা অহানবা অদুগা জিম অসিমক্কী ইরুংবম পবিত্রো মৈতৈনা অনীশুবা অমদি টি ফিটনেস মণিপুর জিম খুরাই কোংপালগী খেলজিৎ থাংজমনা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাখি।

থৌরম অদুদা লম্লাইগী এম এল এ খোংবান্তাবম ইবোমচানা অথোইবা মীথুংলেন, আই ঈ দি বি বি এগী প্রসিদেন্ট এস লালমোহোননা থৌরম মপূ, অম্বাগী প্রসিদেন্ট নোংমৈকাপম রতননা অখন্নবা মীথুংলেন অদুগা অম্বাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম ভিম, এম দেবেন অমদি আইঈদিবিবিএগী ফাউন্দর চান্দম ইবোমচানা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

কন্টেষ্ট অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী তোঙান-তোঙানবা জিমদগী লাকপা এথলিট ৩০ রোম্না শরুক য়াখি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# আর আর সী সীনা রন ৫দা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

লৌরিয়াম ইলাননা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ১০১দা লৌখিবা রন ৭০গী মতেংনা রিয়াল রাইপুরা ক্রিকেট ক্লব (আর আর সী সী) চুড়াচান্দপুরনা ক্ষেত্রিগাও ইরিল মপাল য়ুঠ ক্লব (কে আই ৱাই সী) ক্ষেত্রিগাওবু রন ৫দা চথুরিবা ৬শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।



আর আর সী সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর লোইগদবা বোল ১ ৱাৎলিঙৈ ওভর ৩৫.৫দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ২০০ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা কে আই ৱাই সীনা ওভর ৩৬তা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৯৫ লৌদুনা চুড়াচান্দপুর টিমগী মখূৎতা রন ৫দা মায়থীখি।

মেটচ অদুদা আর আর সী সীগী লৌরিয়াম ইলাননা বোল ১০১দা রন ৭০ লৌদুনা বেটিংগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীখিবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফংবা ঙমখি। মহাক্না অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখিবনি।

### অহানবা এম এন সী এ য়ু-১৪ বোইজ টুর্নামেন্ট

# ট্রাও, ঈ এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথুরিবা অহানবা এম এন সী এ অন্দর-১৪ বোইজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি পি টি আর সী গ্রাউন্দ পাৎসোই পার্ট-৪দা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ট্রাও ক্বাকৈথেলনা য়ং ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুংবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা ললাম্বুং টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৭.১দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৬৫ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা ট্রাওনা ওভর ২৪দা ৱিকেট ২ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ললাম্বুং টিমবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখি। মেটচ অসিদা ট্রাওগী ওল রাউন্দর মুতুম স্বাভিমাননা বোল ৮১দা আউট ওইদনা রন ৬৯ অমদি ওভর ৬তা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অতোপ্পা পি সী সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা চপ মান্নবা গ্রুপকী মেটচ অমদা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেনা পি সী সী ময়াইকোইবীবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা পি সী সীনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২১দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ৮৪ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা ঈ এস য়ুনা ওভর ১১.৫দা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ৱিকেট ১০দা পি সী সীবু মায়থীবা পীখিবনি। ঈ এস য়ুগী হঞ্জবম নাওবনা বোল ৩৮তা আউট ওইদনা রন ৩৫ অমদি ওভর ৩ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

# এম ও এনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলনা থা অসিগী ২৪দা এসোসিএসনগী বাই লোগী আর্টিকল ১৯(৩)গী মতুংইন্না কবাদ্দিগী এদহোক কম্মিটি অমা শেমখি অদুবু থা অসিগী ২৯গী লোকল পাউচে খরদা মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসননা ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়না য়াওরক্লিবা অসি এদহোক কম্মিটিগী কন্সটিট্যুসনগী লোগী ৱাংমদনি হায়না এদহোক কম্মিটি (কবাদ্দি)গী চ্যেরমেন টি ঐচ জয়কুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা দিষ্ট্রিক্ট কবাদ্দি টিম শেম্নবা ট্রায়ল সেলেক্সন অসি দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসনশিংনা এদহোক কম্মিটি কবাদ্দিগা তান্নরগা পাঙথোক্কদবনি।

অনীশুবা ষ্টেট গেমস (মণিপুর ওলিম্পিক গেমস) ২০২২ অসিদা শরুক য়ানিংবা কবাদ্দিগী শান্নরোয়শিংনা এদহোক কম্মিটিদা মশা-মশাগী পাসপোর্ট ফোটো ২ অমদি আধার কার্দ জোরোক্স কোপীগা লোয়ননা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী ওফিসতা লাক্তুনা ওগষ্ট ৩ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেট নেচরেল বোদি বিল্ডিং অগষ্ট ১৪দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

ইন্টরনেসনল নেচরেল ফিজিক এন্দ ফিটনেস গিল্ড মণিপুরনা শীন্দুনা অহানবা ষ্টেট নেচরেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০২২ লাক্লিবা ওগষ্ট ১৪গী অয়ূক পুং ১০.৩০দা সগোলবন্দ ইপূ মোইরাং হনুবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা জুনিয়র মেন্স, সিনিয়র মেন্স, মাষ্টর মেন্স অমদি ৱিমেন্স বোদি বিল্ডিং, ৱিমেন্স ফিটনেস, জুনিয়র মেন অমদি সিনিয়র মেন ফিজিক কেটগোরিশিংদা অথোই-অহেন তান্নগনি। গ্রুপ খূদিংমক্কী পোজিসন ৬/৬ লৈগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী হাইট চেক্কিং তৌবগী মতম্না অগষ্ট ১২গী অয়ূক পুং ৮দা সগোলবন্দ ইপূ মোইরাং হনুবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক ও প্রেমকুমার (৯৬১২৩৪৬৩৩২), এ মোমোতোম্বা (৯৭৭৪৭৯১৮২৪), পি রোমেশ (৯৮৫৬৪৬০২২১), এন রোশন (৭০০৫০১৯৮০৭) অমদি টি ঐচ জোন (৯৮৬২০৩৮৭৪৫)দগী খঙলবা য়ারগনি।

# সিনিয়র ৱিমেন্স লীগকী মেটচ ওফিসলশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

অম্ফানা শীন্দুনা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা অগষ্ট ৫দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগকী মেটচ ওফিসলশিংগী মমিং ঙসি লাউথোকখ্রে।

ওফিসলশিং অদুদি মেটচ কম্মিস্নর কম রেফরি এসেসরদা ঐচ খম্বা, এস জেমসকুমার, আই রবিচন্দ্র, এম মঘো, এল তরুন অমদি সী ঐচ কৈল্যানী চনুনি।

অতোপ্পা রেফরিশিং অদুনা টি রঞ্জিতা, চিম চিম সর্টো, এম রোশনী, ঈ দেবলা, এস লিতনবালা, এস আর নিংনিরিং, আর দি রিংনৈদম, চন্দ্রজিনী, সুশিলা, সান্থিং সিংনাইসুই, টি হেমন্ত, বিদ্যবতি য়ুম্নাম, এ কে তুনেশ্বর, য়ুলুং লুংসু অমদি ৱাই হেমন্তনি।

খনগৎলবা মেটচ ওফিসলশিংনা মখোয়-মখোয়গী পোষ্টিংগীদমক এস জেমসকুমারদা মোবাইল নম্বর ৮৮৩৭২৫৯৮৭৪গী খূথাংদা রিপোর্ট তৌরনবা অম্ফাগী সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

# আই রবিচন্দ্র খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী রেফরি রিফ্রেশর কম রিক্রুটমেন্ট অমদি অম্ফা রেফরি দিভলপমেন্ট কোর্স ২০২২-২৩গী ওইনা লাক্লিবা ওগষ্ট ১দগী ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংশিন্নবা এ আই এফ এফকী ইন্সট্রক্টর আই রবিচন্দ্র খল্লে হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি এল জ্যোটিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।


# এ আরনা শান্ন-খোৎনবগী পোৎলমশিং পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩০ (ঐচ এন এস):

আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা শংশক বট্টালিয়ননা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী শংশক ভিলেজদা শেমগৎ-শাগৎলিবা বেদমিন্টন কোর্টকী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতেং পাংখিবগা লোয়ননা লমদম অদোমগী খুঞ্জাশিংদা বেদমিন্টনগী ওইবা শান্নবা মচাকশিং ঙসি খূদোল তৌখ্রে।

এ আরনা খোঙথাং অসি খেলো ইন্দিয়া কেম্প্যেন প্রমোট তৌনবা অমদি লমদম অদোমগী নহাশিংদা শান্ন-খোৎনবগী লম্দা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা পায়খৎপনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 530**

**CM Taira Tyler Tanaka (2242) - Alvaro Roa Ribera (1884)**
**22nd Sant Marti Open 2022 Barcelona ESP, 2022.07.13**

| | | |
|---|---|---|
| 1.Nf3 d5 | 2.e3 Nf6 | 3.c4 c6 |
| 4.Nc3 e6 | 5.b3 Bd6 | 6.Bb2 O-O |
| 7.Qc2 Re8 | 8.d4 Nbd7 | 9.Be2 dxc4 |
| 10.Bxc4 e5 | 11.Ng5 Rf8 | 12.O-O-O exd4 |
| 13.Rxd4 Be5 | 14.Rh4 h6 | 15. ... |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 529 Ans. :**

20. ...Rg3+ Double check The black queen attacks White's king, which is defending the square f2. The black rook attacks White's king, which is defending the square f2. 21. Kh1 Qg1+ The black queen deflects White's rook away from protecting the square f2. 22. Rxg1 Nf2#
0-1

ADMISSION OPEN (2022-23)

in top ranking Universities & Institutions in INDIA/ABROAD

| Courses | Courses |
|---|---|
| B.Sc. Agriculture<br>B.Sc. Forestry<br>B.Sc. Horticulture<br>B.Tech (Food Tech.) | MBBS (India & Abroad)<br>Clinical Psychology<br>BPA (Performing Art) |
| **Courses**<br>B.Tech. (All streams)<br>BAMS (Ayurvedic)<br>BHMS (Homeopathic)<br>BNYS (Yogic Science)<br>(NEET not required) | **Courses**<br>Nursing<br>D.Pharm, B.Pharm, M.Pharm, Pharm D<br>BBA (ACCA/CMA Certification),<br>BBALLB, Hospitality, MBA |

SPECIAL SCHOLARSHIP SCHEME
FOR MERITORIOUS STUDENTS

For details please contact @

ACCENT CAREER SOLUTION

Konjeng Hajari Leikai, Tiddim Road, Imphal West
above Khaddim's Show Room opp. Sangai Express
Phone : 8837454543

HL-P/1373/13 to 10 alt.

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 365/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.**

Mutum (O) Tilotama Devi W/o (L) Mutum Indramani Singh of Moibung Khunou. -Petitioner

-Vs-

Mutum Indramani Singh S/o (L) Angang Yaima Singh of Moibung Khunou. -Pattadar

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Sekmai, the 29/7/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 40-Senjam Khunou Under Patta No. 2018 (Old) 57/639 (New) Covered by c.s. Dag No. 1234/1497 গী area 1.435 acres চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চথজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai

HL-P/3553/31

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref :- Mut. Case No. 506/SDC/IW(H) 2022.**

Konthoujam Nilachandra Singh S/o (L) K. Sitolo Singh of Kodompokpi. -Petitioner

-Vs-

(L) Konthoujam Sitolo Singh S/o (L) K. Megha Singh of Kodompokpi. -OPP

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 29/07/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 5-Kodompokpi পাট্টা নং 369 (অরিবা) 83 (অনৌবা) গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 328 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.194 একর। হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়নাব উক্ত Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 09/08/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/3550/31

APOLLO ACADEMY

Moulding Medical & Engineering Career

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE - XI Sc. (CBSE & BOSEM)
Class commence on : 1st August, 2022

FOUNDATION COURSE - XII Sc. (CBSE & BOSEM)
Class commence on : 8th August, 2022

Special features
- NEET & Engg. Nurture Class
- Unitwise / Chapterwise Test (every Sunday)
- Descriptive / MCQ Type Test
- Hostel for Boys & Girls

For more details, please contact:
Coordinator, APOLLO Academy
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
(7:00 a.m. - 4:00 p.m.)
8258013846

HL-B/7662/31/7-14/8 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com